ফোরেন দেলিগেটশিং সী এমগা উনখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস) : সঙাই ফেষ্টিভেল শরুক য়ানবগীদমক ইম্ফালদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংগী হায় কম্মিস্নারশিং, এম্বেসেদরশিং অমদি মখোয়গী লোয়নবীশিং ঙসি মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা উনখ্রে।

চীফ মিনিষ্টর সেক্রেটরিয়টতা ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংগী এম্বেসেদরশিং অমদি হায় কম্মিস্নারশিং উনখি। ষ্টেট অসিদা লাকপীবদা থাগৎপা ফোঙদোকখি। দেলিগেটশিংগী মায়কৈদগীসু ষ্টেট গভর্ণমেন্ট অমদি মণিপুর মীয়ামগী হোস্পিটালিটিদা থাগৎপা ফোঙদোক্লমখি। দেলিগেটশিংগা লোয়ননা চীফ মিনিষ্টরনা ফোটো সেসনসু পাঙথোকখি।

থৌরমদুদা কম্বোদিয়া, ইন্দোনেসিয়া, লাও, ব্রুনৈ, দি পি আর, মালেসিয়া, ম্যান্মার, ফিলিপিন্স, সিঙ্গাপোর, থাইলেন্দ অমদি ভিয়েটনামগী এম্বেসেদর অমদি হায় কম্মিস্নার কয়া য়াওরি।

সোসল সর্ভিস পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস) : লৈশেম্বা খুন্থোকপা অহানবা লিক্লম লীখুন লীবা লূপনা কোংবা উচেক্কোন তখোক মপালদা লৈবা পুরুকশৌবী হায়না খঙনবা লাইফল্লেন অসিদা ঙসি সোসল সর্ভিস কেম্প পাঙথোকখ্রে হায়না লূপ অসিগী সেক্রেটরি কে ঐচ খোগিন্দ্রোনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, লূপ অসিগী মেম্বর পুন্না নুপা-নুপী ৩০ রোম্না সোসল সর্ভিস কেম্প অদু পাঙথোকখি। কেম্প অসিগী মরুওইবা পান্দমদি মৈতৈ খুন্নাইগী পুৱারীগা শাগোন্নরক্লবা তৎন-থানবা য়াদ্রবা অরুবা লাইফল্লেন অসিবু মশক থোকপা লাইফল্লেন ওইনবা অমদি তরু-তনান্না থম্নবা পান্দমনি। লূপ অসিগী চৎন-পথাপকী মতুংইন্না লাইফল্লেনশিং অসিবু শেমগৎ-শাগৎতুনা লূনান্না থম্বা পান্দমগী মতুংইন্না লাইফল্লেন খুদিংমক্তা চহী খুদিংগী পাঙথোকপনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

সোলর লেন্টর্ন য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস) : আই জি পি মণিপুর এন্দ নাগালেন্দ সেক্তরগী মখাদা ১০৯ বট্টালিয়ন সী আর পি এফনা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা ভিলেজশিংগীদমক সোলর লেন্টর্ন য়েন্থোকখ্রে হায়না ১০৯ বট্টালিয়ন সী আর পি এফকী কম্মান্দেন্টনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা লাই, তদুবী, মাও কারোং, খাবুং কারোং, কাথিখো কারোংনচিংবা খুলশিংগীদমক স্পেসল এটেন্সন পীখি। থৌরম অদুদা সোসল ৱার্কর দি লোলি অদানি, এ দি সী সেনাপতিগী মেম্বর বেঞ্জামিন তাও, এম এল মার্কসননা চীফ গেষ্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমদুদা কম্মান্দেন্ট বিনোদ কুমার, দেপ্যুটি কম্মান্দেন্ট বিনোদ সৱনসু শরুক য়াখি। খুঞ্জা কয়াসু থৌরম অদুদা য়াওখি। কম্মান্দেন্ট বিনোদ কুমারনা ফোঙদোকখিবদা, খুঞ্জাশিংগীদমক অসিগুম্বা প্রোগ্রাম অসি পাঙথোকপনি হায়খি।

শেলগী তেংবাং পীখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস) : মণিপুর এক্স-এম এল এ ৱেলফেয়র এসোসিএসনগী মায়কৈদগী লৈখিদ্রবা এক্স-এম এল এ, এস ইবোহলগী ইমুং-মনুংদা লুপা লিশিং ১০ গী শেনফম মতেং পাংখ্রে হায়না এসোসিএসন অসিগী থৌ পুবা বি দি বিয়ারিংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, এসোসিএসন অসিগী প্রসিদেন্ট বি দি বিয়ারিং, এক্স-এম এল এ, ঐচ কাংজাম্বা, ডা. নিমাইচান্দ লুৱাং, এন মঙ্গি, কে ঐচ জিবোন, দল্লিয়ু জাগোর অমদি কে ঐচ মনিমোহোননা ঙরাং থাঙ্গাদা লৈবা লৈখিদ্রবা এক্স-এম এল এ, এস ইবোহলগী থৌরমদা শরুক য়াখি। এসোসিএসন অসিগী মেম্বরশিংনা মিনট অমা তুমীন্না লেপ্তুনা লৈখিদ্রবসিগী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উৎখি। এসোসিএসনগী মায়কৈদগী লৈখিদ্রবগী ইমুংদা লুপা লিশিং ১০ গী শেনফম মতেং পাংখি। লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংগী অৱাবদা শরুক য়ারি। মহাক্কী থৱায়না ঈংনা চিক্না লৈরুবা ওইরসনু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

টুরিজম মার্টকী নীনি চনবা থৌরমদা দেলিগেটশিংগা লোয়ননা হিরম কয়াদা খন্নখ্রে

FOR THE NORTH EAST REGION
Imphal, Manipur
23rd - 25th November, 2019
India's North East
CHETAN GUPTA
ARIJIT PURKAYASTHA
RUPINDER BRAR

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস) : ইন্টরনেসনল টুরিজম মার্ট ২০১৯ গী ঙসি নীনি চনবা নুমীৎকী থৌরম সিটি কনভেন্সন সেন্টর ইম্ফালদা তোঙান তোঙানবা ষ্টেট কয়াগী দেলিগেটশিংগা লোয়ননা পাঙথোক্তুনা টুরিজমগী লমদা খুন্মাং চাউশিন্নবা হিরম কয়াদা খন্ন-নৈনখ্রে।

ইন্টরনেসনল টুরিজম মার্টকী নীনি চনবা থৌরমগী হৌরকপদা মিনিষ্ট্রি ওফ টুরিজমগী সেক্রেটরি য়োগেন্দ্র ত্রিপাথিনা হৌদোকপগী ৱারোল পীখি। টুরিজমগী পোটেন্সিয়ল চাউনা লৈবা লমদম অসিদা থবক থৌরাং কয়া পায়খৎতুনা টুরিজমগী লমদা খুন্মাং চাউশিনহন্নবগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগী অয়ুক্কী সেসনদা অরুনাচল প্রদেশ, অসাম, মণিপুর, মেঘালয়া, মিজোরাম, নাগালেন্দ, সিক্কিম অমদি ত্রিপুরা ষ্টেটকী ওফিসলশিংনা ৱা ঙাংখি। টুরিজমগী লমদা শেমগৎ-শাগৎপা অমদি চাউখৎপা পুরক্নবগী মতাংদা ৱাফম কয়া থম্নখি।

থৌরম অদুদা এসোসিএসন ওফ দোমেটিক টুর ওপরেটরস ওফ ইনিদয়াগী সেক্রেটরি জেনরেল চেতন গুপ্তা, নোর্থইষ্ট ইন্দিয়া টুর ওপরেটরগী এদভাইজর অরিজিৎ পুর্কায়াস্থা, রুপিন্দর ব্রার অমদি স্বাদেশ কুমারনা দেজদা ফমখি। সষ্টেনেবল টুরিজম এন ইঞ্জিন ফোর ইকনমিক গ্রোথ এন্দ ইমপ্লোয়মেন্ট হায়বা হিরমদা পেনেল দিস্কসন পাঙথোকখি। পেনেল দিস্কসন অদুদা দেলিগেটশিংনা টুরিজমগা মরী লৈনবা হিরম কয়াদা ওপিনিয়নশিং ফোঙদোক্লবগা লোয়ননা ৱাখল লৌশিং স্যের তৌনখি। তুংদা বি টু বি সেসন (বায়র এন্দ সেলর)গী সেসন পাঙথোকখি। টুরিজম সেক্তরদা লৈরিবা গ্রুপশিং, টুর ওপরেটর অমদি লৈঙাক্কী ওফিসল কয়া য়াওনা পাঙথোকখিবা সেসন অদুনা টুরিজমগী লমদা তোঙান তোঙানবা হিরম কয়া পুথোক্তুনা খন্ন-নৈনখি।

৮শুবা ইন্টরনেসনল টুরিজম মার্ট অসি ঙরাং হোটেল ইম্ফালদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট (ইনিদপেন্দেন্ট চার্জ) ফোর টুরিজম এন্দ কলচর, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া প্রহ্লাদ সিংহ পতেলনা হৌদোকখিবনি। ইন্টরনেসনল টুরিজম মার্ট অসিদা তোঙান তোঙানবা ষ্টেট কয়াদগী টুরিজম দিপার্টমেন্টকী ওফিসল কয়াসু শরুক য়ারি। হয়েং হুম্নী চনবগী সেসনদা সিটি টুর ওফ ইম্ফাল পাঙথোক্কনি হায়রি।

এমসু প্রোজেক্টেদ কেন্দিদেটশিং তরাম্না ওকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস) : ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু) না শীন্দুনা এমসু প্রোজেক্টেদ কেন্দিদেট ওফ হায়র সেকেন্দরি এন্দ কোলেজ ইলেক্সন ২০১৯-২০ ওকপগী থৌরম অমা ঙসি এমসু হেদ ক্বার্টরদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা এমসুগী হান্নগী ফাইনান্স সেক্রেটরি তোংব্রম প্রেমিতানা চীফ গেষ্ট ওইখি। এমসুগী প্রসিদেন্ট ইন-চার্জ লাইশ্রম অথৌবা অমদি নেসোগী সেক্রেটরি জেনরেল সিনাম প্রকাসনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা তোংব্রম প্রেমিতানা ফোঙদোকখিবদা, মহৈরোয় ওইবতা নত্তনা লুচিংবা অমসু ওইবা তারবদি লাইরিক হেন্না পাবা চঙই। থবক অমা তৌবা তারবসু পুন্নমক্তগী হেনবা চঙই। থকশি-খাশি লৈবা তাই। মতম চানা থবক তৌবা তাই। অসিগুম্বা মতিক ময়াই চেল্লবা মহৈরোয়শিং অদুনা তৌরকপা থবকশিং মায় পাক্কনি। অওনবা লাকপগী মতুংইন্না ওজাশিং অমদি মহৈরোয়শিংগী মরক্তা থকশি-খাশি মাঙশিল্লকই। নবেম্বর ২৪ অসি য়াম্না মরুওইবা নুমীৎ অমনি। মহৈরোয় ওইবা তারবদি লাইরিক-লাইশুদা পূক্নিং চঙবগা লোয়ননা ইরৈবাক্কী পুৱারীসু খঙবা তাই। পুৱারীদা করি করি থেংনখ্রে হায়বসি খঙদবা য়াদবা অমনি। এমসু কুমজা ১৯৬৫ কী ওগষ্ট ২৮ দা লিংখৎখি। এমসু ঈখেংলক্তা শেমখিবনি।

ইস্যু ময়াম্না থল্লবা মণিপুরদা পোক্লুবা ঐখোয়দি লমদম অসিগীসু খন্দবা য়াদে। কনষ্টিট্যুসন্না পীবা চৎন-কাঙলোনশিং ফংদনা ঙসি ফাওবা লাক্লিবশিংনি। নীং-তম্না লৈজরম্বা মণিপুরনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা প্রসিদেন্ট ওইখিবা এমসুগী প্রসিদেন্ট ইন-চার্জ লাইশ্রম অথৌবনা হায়খি, ঐখোয় খুদিংমক থৌনা ফনা থেংনমিন্নবা চঙই। সী এ বি অমদি পিছ একোর্দতা লমদমসিগী ঙাক্লৌ ওইগদৌরিবা আই এল পিগী ইস্যুশিং লৈরি। পিছ একোর্দনা লমদম অসিদা শোকহল্লোই হায়রিবসি কদায় ফাওবা থাজবা য়াগদগে হায়না হংমিন্নবা চঙই হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা গেষ্ট ওফ ওনর ওইখিবা সিনাম প্রকাসনা হায়খি, ইস্যুনা থল্লবা লমদম অসিদা করম্বা মায়কৈদা চৎসিগে হায়বসি মরুওইবা অমনি। আই এল পি ইস্যু লৈরি। অফস্পাগী ইস্যু, সী এ বি চৎনবা য়ারোই হায়বা ইস্যু কয়া অমা লৈরি। মহৈরোয় ঐখোয়সু য়াওফম থোকই। ইরমদম কলহৌবা চঙই। ইস্যুশিংদা য়াওদুনা কনমিন্নবা মরুওই হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরমদুদা ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী মরুওইবা থৌ পুবা কয়াসু শরুক য়াখি। এমসুগী তোঙান তোঙানবা ব্রাঞ্চ কয়াগী থৌমী কয়াসু থৌরম অদুদা শরুক য়াখি। ৱাঙাংলোয় কয়ানা এমসুনা মহৈরোয়শিংগীদমক অমদি খুন্নাই অসিগীদমক তৌরকপা থবক থৌরাং কয়াগী মতাংদা ৱাফম কয়াসু থমখি হায়রি।

সিক্যুরিটি মীট পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস) : আই জি এ আর (সাউথ) কী মীৎয়েং মখাদা ৯ সেক্তর অসাম রাইফলসকী মন্ত্রিপুখ্রি অমসুং থৌবাল বট্টালিয়ন্না শীন্দুনা কম্ম্যুনিটি সর্ভিস অমসুং সিক্যুরিটি মীট পাঙথোকখ্রে হায়না আই জি এ আর (সাউথ)কী পি আর ওনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, কম্ম্যুনিটি সর্ভিস কম ইন্টরেক্সনসু য়াইঙং-পোকপী কম্পেনি ওপরেটিং বেজ মন্ত্রিপুখ্রি বট্টালিয়নন্না লম্লাই খুল্লেন্দা পাঙথোকখি। সী ও বিগী ক্রুপশিংনা লোকলগী মীওইশিংগা ইন্টরেক্সন তৌখি। খুঞ্জা ১২০ হেনবনা শরুক য়াবগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা ইস্যুশিংগী মতাংদা ৱারী শানখি হায়রি।

সিক্যুরিটি মীটকী শরুক অমা ওইনা থৌবাল বট্টালিয়নগী চন্দ্রখোং সী ও বিনসু লমদম অদোমগী মীওইশিংগা ৱারী শানখি। ময়াই কাবা দ্রগনা নহাশিংদা পীরকপা চৈথেংগী মতাংদসু মীফম অদুদা কুপ্না খন্ন-নৈনখি। মশা-মউ ফনা লৈনবা অমদি নুংঙাই-য়াইফবা খুন্নাই অমা ওইহন্নবগীদমক দ্রগ ফ্রী ইনভাইরনমেন্ট অমা শেমগৎপগী তঙাইফদবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লখি। ময়াই কাবা চীঞ্জাক্লা নহাশিংদা পীরকপা চৈথেংশিং খঙহনবগা লোয়ননা নহাশিংবু মশা-মউ ফনা লৈনবা লমজিংবীবা চঙই হায়বা ৱাফমসু থম্লখি।

থৌরমদুদা ৱার্দ কাউন্সীল্লর, প্রধান, য়ুথ ক্লবকী মেম্বরশিং, লৈকায়গী মীওই কয়াসু শরুক য়াখি। ইন্টরেক্সন তৌদুনা হিরম কয়াদা খন্ন-নৈনখি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তারি।

নঙবু ঙাইরম্বনি ফিল্মগী য়াইফ-থৌনি পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস) : দাইমন্দ প্রদক্সননা নৌনা পুথোক্কদৌরিবা নঙবু ঙাইরম্বনি হায়না মিঙ্গৌবা ফিল্মগী য়াইফ-থৌনি থৌরম ঙসি মন্ত্রিপুখ্রিদা লৈবা রোটরি মল্টি সর্ভিস সেন্টরদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা ববিনা হেল্থ ক্যের এন্দ হোস্পিটালিটি ইন্দষ্ট্রিগী মেনেজিং দিরেক্টর ডা. টি ঐচ দবলিনা হায়খি, চহী অনী মখায় ফাওবগী মনুংদা সিনেমা হোল শাগে হায়বগী ৱাখল লৈ। হৌজিক সিনেমা হোলসু লৈশিল্লক্লে। হোল খরসু লৈহনবা চঙই। মী য়াম্না চনবা হোল নৎত্রবসু এ সী য়াওবা সাউন্দ সিষ্টেম ফজবা হোল খরদি লৈবা চুম্মী হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা গেষ্ট ওফ ওনর ওইখিবা সোসল ৱেলফেয়রগী দিরেক্টর এন জি উত্তমনা হায়খি, ফিল্ম অমগী এক্ট্রেস ওইবদা উনসা ফজবা, শম ফজবা, জগোয়নচিংবা খরদি হৈতবা য়াদে। মপান্থোংদা উরিবা ইন্টরটেনমেন্ট ওইরবসু মনুংদদি য়াম্না লৈরি। তমদবা য়াদবা ঙাক্তনি। নঙবু ঙাইরম্বনি হায়বা ফিল্ম অসি তোল্ল-তারবশিংবু শৌগৎপা য়াওরিবা ফিল্মনি। মণিপুরগী ওইনা ৱার্ক কলচর খরদি লৈরে। হেন্না লৈহন্নবা হোৎনবা চঙই। আই এল পি অমসুং সী এ বি লাকপা মতমদা শুবা নোম্বগী মখা পোনগনি। লাইরিক তম্লগা লৈঙাক্কী থবক থিবা চৎনবী ওইনা লাক্লি। লাইরিক তম্বা মতমদা মমা-মপা ওইবশিংনা ডোক্তর, এঞ্জিনিয়র ওইগদ্রা হায়বা ৱাহংহংলি। লৈঙাক্কী থবক তৌদবশিংনা নীংবা কায়রবা অমগুম খল্লি। এগজামদা ফর্ষ্ট তারবশিং ওক্লি। থবক্তা হৈথোই-শিংথোইবা, য়েন লোইবদা মায় পাক্লবশিংসু ওকপীগদবনি। ফিল্ম পুথোক্লিবশিংনসু হুমাং মমলনা মায় পাক্লবশিংদা য়ুন্স্ফম ওইবা ফিল্ম খরসু পুথোকপীয়ু হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অসিদা ফিল্ম ফোরমগী প্রসিদেন্ট এস ঐচ মঙ্গোলজাওনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। নঙবু ঙাইরম্বনি হায়বা ফিল্ম অসিগী অইবা অমদি দিরেক্টর রাজেন লৈশাংথেমনি। প্রদ্যুসরনা এলেন্দর থৌদাম, ম্যুজিক্তা বিপিনচন্দ্র, এদিটরদা কামস মুহিন্দ্রো, সিনেমাটোগ্রাফিদা বোয় য়াইখোম অমসুং মেক অপতা সনাথোই ৱাহেংনি।

খিতি গোস্বামিনা লৈখিদবদা লেফ্ট পার্টিশিংনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস) : রেভল্যুস্নরি সোসলিষ্ট পার্টি (আর এস পি)গী জেনরেল সেক্রেটরি খিতি গোস্বামিনা লৈখিদবদা মণিপুরগী লেফ্ট পার্টিশিং, আর এস পি, সী পি আই-এম, সী পি আই অমদি এ আই এফ বিনা অৱাবা ফোঙাদোক্লি হায়না সী পি আই-এম মণিপুরগী সেক্রেটরি ক্ষেত্রিময়ুম শান্তনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

পাউনা কৈথেলদা লৈবা সী পি আই-এম মণিপুরগী ওফিসতা ঙসি লেফ্ট পার্টি মরিনা অৱাবা ফোঙবগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা খিতি গোস্বামিগী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উৎতুনা মিনট অনী তুমীন্না লেপখি। অৱাবা ফোঙবগী মীটিং অদুদা আর এস পি মণিপুরগী সেক্রেটরি এন রতন, আর এস পিগী সেক্রেটরিয়ট মেম্বর কে মনোরঞ্জন, সী পি আই-এম মণিপুরগী সেক্রেটরি ক্ষেত্রিময়ুম শান্তা, এ আই এফ বি মণিপুরগী সেক্রেটরি খোমদ্রাম গ্যানেশ্বর অমদি সী পি আই মণিপুরগী সেক্রেটরি এল সোটিনকুমারসু শরুক য়াখি।

খিতি গোস্বামিনা লৈখিদবা অসি আর এস পি খক্তগী নত্তনা লেফ্ট পার্টিশিংগী ওইনা অমদি লমদম অসিগী ওইনা চাউনা মাঙজবা অমনি। খিতি গোস্বামি ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা জোতি বাসুগী মখাদা কেবিনেট মিনিষ্টরসু ওইরম্মী। ৱেষ্ট বেঙ্গল ষ্টেট কম্মিটি আর এস পিগী সেক্রেটরিসু ওইরম্মী হায়নসু মখা তারি।

এম পি রঞ্জননা সঙাই ৱাটর টেঙ্ক ২৫ য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস) : এম পি লোকল এরিয়া ফন্দগী মখাদা য়াইস্কুল এ সীগী ৱার্দ নম্বর ১৮ গী মনুংদা লৈবা বি পি এল, দিসএবল্ড অমদি ৱিদো ফেমিলি ২৫ দা রেন ৱাটর হার্ভেষ্টিং স্কিমগী মখাদা সঙাই ৱাটর টেঙ্ক ২৬ এম পি, ডা. আর কে রঞ্জননা য়েন্থোকখ্রে।

থুম্বুথোং অরিবম লৈকায়দা লৈবা এল বসন্তগী য়ুমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা সঙাই ৱাটর টেঙ্ক ২৫ য়েন্থোকখি।

থৌরম অদুদা এম পি, ডা. আর কে রঞ্জননা ফোঙদোকখিবদা, ঙসিনা অনীশুবা ওইনা য়েন্থোকপনি। রেন ৱাটর হার্ভেষ্টিংগী মখাদা লায়রবা অমদি দিসএবল্ড ওইবা মীওইশিংদা সঙাই ৱাটর টেঙ্ক অসি য়েন্থোকপনি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনসু রেন ৱাটর হার্ভেষ্টিংদা মীৎয়েং চঙলি। প্লাষ্টিক ফ্রী ওইহন্নবগী খোঙথাং অমসু চঙশিল্লক্লি। মালেমগী লৈবাক কয়াদসু খোঙথাং অসিদা লৈরি। নোংগী ঈশিং য়োকশিনবা হায়বসি য়াম্না মরুওইবা অমনি। নোংগী ঈশিং য়োকশিন্দুনা শীজিন্নবগী কান্নবা খঙমিন্নবা চঙই।

হৌজিক সী এ বিদা মীয়াম্না অকিবা ফাওরিবা কয়া অসি পার্লিয়ামেন্টকী ফ্লোরদা মেম্বরশিংদা খঙহনগে। ঐখোয়গী শোক্তনবা তৌবীয়ু হায়বা ৱাফম হায়গে হায়না তৌবনি। জিরো অৱারদা চান্স অমা পীবনি অদুবু প্রাইভেট মেম্বর বিলগী দিবেটতু মতম শাংনা চথরকপনা চান্স মাঙখ্রে। ঐখোয়গী পোলিটিকেল রাইট অসি মীতোপশিংনা চঙলক্লগা তপ্না তপ্না সিজ তৌরি। চীংদা লম কোকথোক্লগা পোপি থাদুনা মাঙহল্লক্লিবা কয়া খঙবা তাই হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা আই এম সী ৱার্দ নম্বর ১৮ গী কোর্পোরেটর এল ইনুংঙানবী, ৱার্দ মেম্বর আর কে মোনোরমা অমদি এন ইমোচাবীসু শরুক য়াখি।

চমন্নবা লৈহনবীগনু : লূপ

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস) : ইপু মাইচৌ খারম থাদোইগী মীতমগী মতাংদা চমন্নবা লৈহনবীগনু হায়না অপাহৌ হুইময়োল হুইফা হুইথাবা লূপকী সেক্রেটরি জেনরেল ওইনাম পুলেম্বনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মাইচৌ তরেৎকী মনুংদা অমা ওইরিবা ইপু মাইচৌ খারম থাদোইগী মীতমবু মহাক্কী পোকফম ওইরিবা খারম পল্লেলদা খিনবা য়ারোই হায়রিবসিগী মরম খঙনিংই। ৱাফমসিগী মতাংদা য়েৎনবা লৈরিবা অসি লূপ অসিনা তাবদা নুংঙাইতবা অমদি চমন্নবা ফাওই। অসিগুম্বা ৱাফম অসি য়াম্না ঈকায়নিংঙাইনি হায়রি।

ঈ বি সী পোষ্ট মেত্রিক স্কোলারশিপ স্কিম চহীসিগী ওইনা কেন্সেল তৌরে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস) : মিনিষ্ট্রি ওফ সোসল জষ্টিস এন্দ ইম্পৱারমেন্ট, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা স্কিম ফন্দ রিলিজ তৌরক্তবা মরম্না একাদেমীক সেসন ২০১৯-২০গী ওইনা ইকনমিকেল্লি বেকৱার্দ ক্লাস (ঈ বি সী) পোষ্ট মেত্রিক স্কোলারশিপ স্কিম কেন্সেল তৌরে হায়না দিরেক্টোরেট ফোর ৱেলফেয়র ওফ ও বি সী এন্দ এ সীগী দিরেক্টর এন জি ভোগেন্দ্রনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

একাদেমীক সেসন ২০১৯-২০ গী ওইনা স্কোলারশিপ এপ্লিকেসন রেজিষ্টর তৌখ্রবা মহৈরোয়শিংগীদমক ও বি সী/এস সী পোষ্ট মেত্রিক স্কোলারশিপ স্কিমদা কনভার্ট তৌনবা মীৎয়েং থল্লি। দিরেক্টোরেট অসিগী ও বি সী/এস সী পোষ্ট মেত্রিক স্কোলারশিপ স্কিমদা কনভার্ট তৌগদৌরি। স্কোলারশিপ স্কিম ফোর ইকনমিকেল্লি বেকৱার্দ ক্লাস অসি তুংদা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ সোসল জষ্টিস এন্দ ইম্পৱারমেন্টনা ফন্দ রিলিজ তৌরকপগী মখা পোন্না লাক্কনি। স্কোলারশিপকীদমক হান্নন রেজিষ্টর তৌখ্রবা মহৈরোয়শিংগীদমক ও বি সী/এস সী স্কোলারশিপতা কনভার্ট তৌগনি হায়রি।

মেদিকেল কেম্প

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস) : হেদ ক্বার্টর আই জি এ আর (সাউথ)কী মীৎয়েং মখাদা ২৬শুবা সেক্তর অসাম রাইফলসকী মোলতুক বট্টালিয়ন্না শীন্দুনা ঙসি ফাইসাঞ্জাং ভিলেজদা মেদিকেল কাউন্সেল্লিং এন্দ হেল্থ চেক অপ কেম্প পাঙথোকখ্রে হায়না আই জি এ আর (সাউথ)কী পি আর ওনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। চেরোল অদুনা হায়, রেজিমেন্টেল মেদিকেল ওফিসরনা লুচিংদুনা কেম্প অদু চথখি। মীওই ১১২ রোমদা অনা-লায়েংখি। কেম্প অদুদা হেল্থ এন্দ সেনিটেসন ইস্যুগী মতাংদা এৱ্যের্নেসসু পীখি হায়নসু মখা তারি।

গাড়ীশিং অৱাবা কয়া তাখ্রে : য়ুনিয়ন

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস) : বরাক অমসুং মক্রু থোং অনীদা পুথখিবা সিমেন্ট গাড়ীশিং অৱাবা কয়া তাখ্রে হায়না ওল জিরিবাম রোদ ট্রান্সপোর্ট দ্রাইভরস য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট মুতুম তোমবাবুনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, দ্রাইভরনা টন হেন্না হাপচিল্লিবনি হায়দুনা দ্রাইভরশিংদা তায়নবা কয়া য়াওখ্রে। য়াদ্রিবা থোংশিং অসিগী য়েংদুনা দ্রাইভরশিংনা মাল হেন্না হাপচিল্লক্তনবা দ্রাইভরশিংগী লৈরিবা য়ুনিয়ন্না দ্রাইভরশিংদা হায়বনি। থোং অসি তেকখ্রবদি মণিপুর মীয়াম পুম্বা অৱাবা মায়োক্নগনি খনবনা য়ুনিয়ন্না চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎপনি। এন ঐচ ০২ লম্বী হৌজিক ফীভম ফৎত্রিবনি। মসিনা মণিপুর মীয়াম অৱাবা মায়োক্লরক্কদবা অদু য়েংবা তাই। থোং অনী অসিগী ফীভম শোকপনা মরম ওইরগা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরিবসি খঙমিন্নবা চঙই হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

খোমিদোক্তা পব্লিক কনভেন্সন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস) : খোমিদোক কৈথেলদা লৈবা এম দি সমির শাহগী য়ুমদা ঙরাং ওল মণিপুর মুস্লিম ওর্গনাইজেসন কোওর্দিনেটিং কম্মিটি (অম্মোকোক)কী পব্লিক কনভেন্সন অমা পাঙথোকখ্রে হায়না অম্মোকোক হেদ ক্বার্টরগী সেক্রেটরি জেনরেল ৱাহিদুর রহমননা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

কনভেন্সন অসিদা মণিপুরগী পাঙল তাবা খুল কয়াদগী লাকপা রিছার্স স্কোলার, ইন্টলেকচুয়েল, জেদ পি, প্রধান, ক্লব ওর্গনাইজেসন কয়াগী মীওই ৩৫০ হেনবনা শরুক য়াখি। মীফম অদুনা লৌখিবা ৱারেপশিংদি, বাংলাদেশ পাঙল দেলিগেসনশিং দিসেম্বর ১৮ দা থুংলগদবা ওইবনা নুমীৎসিদা অম্মোকোকনা বীর টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা তরাম্না ওকপা, দিসেম্বর ২১দা ইন্টরনেসনল পাঙল সেমিনার ওন আইদেন্টিটি হায়বা থৌরম অমা পাঙথোকপা, দিসেম্বর ২২দা ইন্টরনেসনল পাঙল কনভেন্সনগী থৌরম চীফ মিনিষ্টর য়াওনা পাঙথোকপা, কনভেন্সন অসিনা অম্মোকোক্কী হৌজিক লৈরিবা এগজিক্যুটিভ বোদি অমসুং ওফিস বিয়ররশিংগী টর্ম মপুং ফারবসু জেনরেল বোদি মীটিং লৈবাক্কী ওইবা ফীভম অমদি ইস্যুশিংনা মরম ওইরগা তংদু-লৈতাবা অমা লাক্লবা মতমদা খুদোংচাবা ফীভম অমসুং মতম লেপ্লগা পাঙথোকপা হায়নসু য়ানরে। পাঙল তাবা মফম কয়াদা লৈরিবা ক্লব, ওর্গনাইজেসন, য়ুনিয়ন, ফোরমশিং অম্মোকোক্তা হান্না এফিলিয়ট তৌদুনা লৈরিবশিংনা রিন্যু তৌবা, মেম্বরশিপ ওইহনবা হায়না য়ানরে হায়রি।

ওকপগী থৌরম পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস) : মোনিটরিং সেল ওফ কোলেজ ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ইলেক্সন ২০১৯-২০ সেসননা থা অসিগী ৮ দা পাঙথোকখিবা কোলেজ য়ুনিয়ন ইলেক্সনদা মপুং ওইবা থৌদাং লৌখিবা কোলেজশিংগী ইলেক্সন কম্মিটি, আর ওশিং থাগৎপা ফোঙদোক্লি। কোলেজ য়ুনিয়ন ইলেক্সনদা শরুক য়াখিবা কেন্দিদেট পুন্নমকপু ওকপগী থৌরম অমা থা অসিগী ২৭ তা ইমা খুন্থোকহনবী শঙলেনদা পাঙথোক্লগনি হায়না মোনিটরিং সেলগী কনভিনর কে ঐচ সেরাজুদ্দিননা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। থৌরম অসিদা কেন্দিদেটশিংনা মতম চানা লাক্তুনা শরুক য়াবীয়ু।

কোলেজ ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী মীখল অসি মায় পাক্লবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং কয়া লৌখিবা খুদিংমকপু মোনিটরিং সেলগী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোক্লি। মীখল অসি কাঙলোন চুম্না পাঙথোক্লবা হোৎনবদা থৌদাং কয়া লৌখিবনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

খোংমন ফেন্সিং একাদেমীগী হোল শঙ্গাখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস) : খোংমন ফেন্সিং একাদেমীগী নৌনা শাবা হোল ঙসি ৱার্ক্স এন্দ আই পি আর মিনিষ্টর থোঙাম বিশ্বজিৎনা শঙ্গাখ্রে।

হোল শঙ্গাবগী থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা আই পি আর মিনিষ্টর থোঙাম বিশ্বজিৎনা হায়খি, চাউখৎ থৌরাংগী থবক থৌরমশিং হেন্না খুন্মাং চাউশিন্না চঙশিনবা ঙম্নবা ঐখোয় পুম্নমক্না অমত্তা খুৎশম্না হোৎনমিন্নবা চঙই। খুন্নাইগী অফবা থবকশিংগীদমক্তি অপূনবগী পাঙ্গলগা লোয়ননা হোৎনবা তাই। মপুং ফানা পায়খৎপা ঙম্নবা থৌদাং লৌবা চঙই। মীয়ামগী মীহুৎ অমা ওইনা চাউখৎ থৌরাংগী লমদা লেপ্পা লৈতনা হোৎনদুনা লাক্লি। অমগা অমগা পাউ ফাওনদুনা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং নৈনবা চঙই। ইস্যু অমা লাকপা মতমদা ঐখোয় মশেল অমত্তা ওইনা নৈনদুনা অফবা মায়কৈদা লাক্লবা হোৎনবা তাই। মীয়ামগী মীহুৎ ওইনা থোরক্লিবসি মীয়ামগী য়াইফ থৌরাং অমদি চাউখৎ থৌরাংগী থবক্তা মীৎয়েং চঙনবনি। শেমগৎ-শাগৎপগী থবক কয়াদা অখন্নবা মীৎয়েংগা লোয়ননা ঙসি ফাওবদা লেপ্তুনা চঙশিল্লক্লি।

শান্ন-খোৎনবগী লমদা মাঙজিল থারিবা লমদম অসিদা হেন্না চাউখৎপা পুরক্নবগীদমক শেমগৎ-শাগৎপা চঙই। কম্যুনিটি হোল শারিবশিং অসিদা শান্ন-খোৎনবগী ইভেন্ট মখল কয়া শান্নবা য়ানবা মফম হাপচিন্নবা থবক পায়খৎলি। ইন্দোরদা শান্নবা য়াবা ইভেন্ট মখল কয়াগী মফম শেমগৎলক্লি। বেদমিন্টন, ফেন্সিং, টেবল টেনিস য়াওনা ইন্দোরদা শান্নবা য়াবা মখল কয়াগী মশান্নাশিং লৈরি। থোংজু এ সীদা তোঙান তোঙানবা মশান্না কয়াদা মমিং লৈবা শান্নরোয় কয়া অমসু থোক্লি। শান্নরোয়শিংবু পূক্নিং থৌগৎপগা লোয়ননা হেন্না মায় পাকপা পুরকপা ঙম্নবা হোৎনবা চঙই। ঙসি শঙ্গারিবা ফেন্সিং একাদেমীগী হোল অসিদসু শান্নরোয় কয়া পুথোক্তুনা মশান্না অসিবু হেন্না খুন্মাং চাউশিনহন্নবা হোৎনরক্কনি হায়বগী থাজবা কয়া লৈরি। এ সী অসিগী মনুংদা শারিবা অমদি শারক্কদৌরিবা হোল কয়াদসু ইন্দোরগী মশান্না কয়াগী শান্নফম হাপ্তুনা শান্নরোয়শিংবু শেমগৎনবা অখন্নবা মীৎয়েং চঙগনি। ৱাটর সপ্লায় স্কিমগী ওইনসু মফম খরদা শেমগৎ-শাগৎপগী থবক পায়খৎলি। লম্বী-থোংগী ফীভম হৌজিক মমাংঙৈগা য়েংনবদা য়াম্না ফগৎলে। লম্বী-থোং, মৈ-ঈশিং হায়বসি য়াম্না মরুওইবা অমনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা এস দল্লিয়ু সী খোংমনগী প্রসিদেন্ট পি বন্দন, খোংমন জি পিগী প্রধান মোইরাংথেম নুংশিরৈ, মণিপুর ফেন্সিং এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট টিঐচ জয়কুমার, খোংমন ফেন্সিং একাদেমীগী প্রসিদেন্ট টি ঐচ কিলানন্দসু দেজদা ফমখি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংখিবা খোংমন ফেন্সিং একাদেমীগী মরুওইবা থৌ পুবা কয়ানা ফোঙদোক্লখিবদা, একাদেমী অসিনা মশান্না অসিদা শান্নরোয় কয়া পুথোক্লবা অখন্নবা মীৎয়েং থল্লি। একাদেমী অসিদগী হৌখিবা শান্নরোয় কয়ানা তোঙান তোঙানবা চাংদম্নবা কয়াদা মকোক-মথং তারকপা য়াওখ্রে। মখা তানা শান্নরোয় কয়া শেমগৎনবা অঙম্বা থাক্তা হোৎনগনি। শান্ন-খোৎনবগী লমদা হেন্না খুন্মাং চাউশিনহন্নবা হোৎনবদা থৌদাং লৌখিগনি হায়খি।

ANGELS' COACHING CENTRE
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY
ADMISSION OPEN CLASS X REVISION Starts on 9th December 2019
FOUNDATION COURSE Class 3 to10 Starts on 19th Dec., 19
Time : 11 am to 4 pm
TOPPERS of 2019
1st Position Bhumika Sh. Pitambara E/S
4th Position Minerva H. Brilliant P/S, Samurou
7th Position W. Ningthem Tiny Tots
8th Position Nongpoknganba L. St. Joseph
11th Position H. Rijando Memorial Model Academy Yairipok
12th Position M. Nerich Tiny Tots
13th Position Shubhalakshmi Th. Nirmalabas
14th Position K. Koklen Tiny Tots
14th Position Donita K. Nirmalabas
15th Position P. Roshni Donbosco Langjing
15th Position Bidya Raj Kh. St. Joseph
16th Position H. Rohen Little Master, Samurou
17th Position Th. Manglemba Modern Hr.Sec. Bishnupur
17th Position Jessica W. Nirmalabas
19th Position H. Aman Modern Hr.Sec. Bishnupur
29th Position Sinngam Kh. Catholic Canchipur
20th Position Celina Laishram Heritage Convent
21st Position N. Roshila Tiny Tots
24th Position Lamjingba Y. St. Joseph
24th Position Suchitra Kh. Nirmalabas
SEPARATE BOARDING FOR BOYS & GIRLS
1ST POSITION 2019
It is an ecstatic moment for me on securing first position in the HSLC - Examination, 2019. Angels' coaching centre has helped me a lot in the preparation of this exam. Indeed, it is one of the best coaching centres in Imphal. Go to Angels and get success in life.
- Bhumika Sh

7th MEGA MOCK TEST

Date	Sub.
26/12/19	English
28/12/19	S. Science
31/12/19	Maths
03/01/20	Science
05/01/20	Adl. Sub.
07/01/20	MIL

Last date of Form Submission 17/12/19
PLEASE CONTACT : 7628946313 - 9402897710 - 8732022342
VAN AVAILABLE
HL-P/5783/3-30 Nov. & 1-2 Dec.